# কুমজা ২০১৬গী রিও ওলিম্পিক্তা ঐহাক্না গোল অমা চনবা ঙমখিবদু মিদিয়া পার্সন অমনা অকনবা ৱা হায়রকখিবদগীনি


টি ঐচ অনুরধা (ওলিম্পিয়ন, হোকি)



(ঙরাংগী মখা…)

কুমজা২০১৬গীরিওওলিম্পিক গেমসকী ওস্ট্রেলিয়াগা শান্নবদা ঐনা গোল অমা চনবা ঙমখিবসিগী ৱারী অমসু লৈ। মদু তশেংনমক্কীদি অঙম তানবদগী চনবা ঙমখিবনি খল্লি। ঐখোয়না শান্নবা হৌদ্রিঙৈ নোংমা নীনিগী মমাঙদা নেসনল পেপর অমগী মিদিয়া পার্সননি হায়বা মীওই অমদগী ফোন মথং মথং তৌরক্তুনা ঐখোয় খরা ইন্টরভিয়ু তৌখি। মহাক্কী মমিংদুদি কাউরে। মহাক্না ইন্টরভিয়ু তৌরকপসিদা অহানবা ৱাহংসি অসুম্না হংলকখি। ফোৱার্দ শান্নরোয় অম ওইনা নঙগী মরু ওইবা এমসি করিনো? ফষ্ট প্লে ওইগদৌরিবা জ পানগা শান্নবদা নঙগী টার্গেটসি করমহায়না থল্লি হায়রকখি। মদুদা ঐনা ঐহাক্কী ওইনা ফষ্ট মেচসিদা গোল অমা চনগে খল্লি। চনবসু ঙমগনি হায়না খল্লি অসুম্না খুমখি। ফষ্ট শান্নবদা ইন্দিয়া টিমগী অহানবা গোল চনখিবা ঐহাক ওইজনিংই হায়নসু ফোঙদোকখি। অদুবু ঐহাক জপানগা শান্নখিবা মেচতুদা গোল চনবা ঙমজখিদে। মদুদা মহাক্না মেসেজ অমা থারকখি, নঙনা গোল অমা চনবা ঙমগনি হায়না মিদিয়াদা ফোঙদোকখ্রগা চনবা ঙমদ্রিবদু করিগীনো? প্লেয়র অমা ওইনা নহাক হায়দোকখিবা ৱাদি ঙাক্লা চৎপা ফৈ হায়না থারকখি। প্রেসমেন দুগী মেসেজদু পাজরুবদগী ঐহাক থম্মোয় শোকখি। ইশানা হায়দোকখিবা ৱা অমা ঙাকপা ঙমদ্রেকো খল্লুরগা ৱাখল য়াম্না নুংঙাইখিদে। মাগী ৱাহৈদু ঐহাক থম্মোয় শোকখ্রে। অদুদগী ওলিম্পিকসিদা গোল অমা চন্দ্রবদি ঐহাক হল্লরোই হায়দুনা চপ য়ুংনা লেপখ্রে। মহাক্না ঐবু মথৌ শঙবা হায়বদুসু ওইখ্রে। হায়দোকখিবা ৱা অমদি ঙাক্লগে হায়না খনখ্রে। অদুনা শান্নখিবা মেচ পুম্নমক থৱায় হকচাং য়াওনা লোইনা শান্নজখি। মদুগী হোৎনজমন্দুননি ঐহাক্না ওলিম্পিক গোল অমা চনবা ঙমজখ্রিবদু। ঐনা গোল চনবদু, ঐঙোন্দা অকনবা ৱা মতাং চানা হায়বীরকখিবা প্রেসমেনদুসু শোয়দনা উরমগনি খল্লি। অমরোমদা, শাংলবা চহী ৩৬ গেপ লৈরুরগা, ইনিদয়াগী নুপী হোকি টিমনা ওলেম্পিক্তা অমুক য়াওরকপা অদুগুম্না টিমদুদা ঐহাকসু য়াওজবা ঙমখিবা অদুগীদি নুংঙাইজৈ। অদুবু ঐখোয়না মেদল অমত্তা পুদনা হল্লকপদুগীদি ৱাখল নুংঙাইতে। ঐখোয়সু মেদল অমদি পুরগা হল্লকনিংখি, অদুবু লাইবক থীবনা অদুমদি ঙমখিদ্রে।

কুমজা২০১৬গী ওগষ্ট৫দগীনা২১ ফাওবা চথখিবা রিও ওলিম্পিক গেমস অদু শান্নরুরগা ঐখোয় ইন্দিয়া টিম চহীদুগী ওক্টোবর ২৭তগীনা নবেম্বর ৫ ফাওবা সিঙ্গাপুরদা পাঙথোকখিবা ‘এসিয়ান চেম্পিয়ন ট্রোফি’ শান্নবা অমুক চৎচরকখি। এসিয়ান ট্রোফি অসিদা লাকখিবা টিমশিংদি মালেসিয়া, জপান, কোরিয়া, চাইনা অমসুং ইনিদয়ানি।

হায়রিবা চেম্পিয়ন ট্রোফি অসিগী সেমিফাইনেল শান্নখিবা নুমিৎ অদুঐগী ওইনা খ্বাইদগী নুংঙাইজখিবা নুমিৎ অমা ওইখি। ঐহাক্না ইন্দিয়াগী টিমদা য়াওদুনা লেপ্তুনা শান্নজরকখিবগী ইন্টর্নেসনল থাক্তা ১০০রক শুবা মেচ মদুগী মতুংদা ফাইনেলদা চাইনাগা শান্নখিবা নুমিৎ অদু থারগা ১০১ শুবনি। ফাইনেলদুদা ঐখোয়না চাইনাবু ৩-১দা মায়থীবা পীরগা সনাগী মেদল লৌরকখি।

মসিগী মখা তারকপদদি, লাইবক থীবা নুংঙাইতবা থৌদোক কয়া অমা মায়োক্লরকখি। ২০১৭কী সেপ্টেম্বরগী ২৮দা গাড়ি এক্সিদেন্ট অমা তৌদুনা ঐহাক (পঞ্জাব, কপুটালাদা) ফিভম তাদনা আই সি য়ুদা কোমাদা চয়োল অমা লৈখি। থা অহুমরোম, চাবা-থকপা, ৱা-ঙাঙবা, চৎপা-খোৎপা করিমত্তা য়াখিদে। য়ুমদগী ঐবু পোকপী ইমা (কোমোলিনি), ঐগী চেচে বালিখোংদগী ইচে ইনাখুনবী মখোয় লাক্তুনা ঐবু কুপশেন শেন্নদুনা য়েঙশিনবিরখি। পুন্সিগী অৱা-অনা তারকপা তঙাইফদবা মীৎকুপ কয়াদা, বাশিখোংগী ইমা, বাবা, ইচেশিং, দাদাশিং, ইনাওশিং মখোয়না ঐবু হেক পোকমিন্নবগুম মতম চুপ্পদা শেন্নবীরকখি। তৌবুলদা পোকচরক্লবসু ইম্ফালদা লৈরিবা ঐগী অশেংবা য়ুমশিংগী মনুংদা বাশিখোং ৱাংখে লৌমানবীদা লৈরিবা য়ুম অসিসু ঐগীদি খ্বাইদগী মরু ওইবা ঐনা নুংশিনা নক্লা খঞ্জবা ইমুংনি। ইমুংসি ঐহাক্না অতোপ্পনি হায়না খক খনবা ঙমদে। ইমুংসিদা লৈবা মীওই পুম্নমক্না লুনা-চানা নুংশিনা তৌবিবনা ঐনা লৈজবদসু খ্বাইদগী নুংঙাইজৈ। ঐহাক্না মণিপুরদা থোরক্লবদি বাশিখোংদা অয়াম্বা লৈ।



পঞ্জাবতা থোকখিবা গাড়ি এক্সিদেন্ট অদু থীনা থোকমনখিদুনা কনামত্তনা ঐবু হিঙগনি হায়বা থাজ খিদে। ইমান্নবী মরু-মপাং পুম্নমক্না ঐহাক ফিল্ডদা অমুক হল্লক্লোইহায়না খন্নরমখি। অদুবু ঐহাক তাইঙ শেন্বা মপুনা চানবীদুনা হান্নগী পুন্সিদা হঞ্জিনবা ঙমজরকখি। ২০১৮গী জ ুন থাদা হকচাংগী ফিভম তপ্না তপ্না ফগৎলকপদগী ফিল্ড অমুক মীৎয়েঙ থমজরকখি।

২০১৮ গী জুনগী ১০দা ফিল্ডদা থোক্তুনা শান্নবা য়ারগনি। তপ্না তপ্না শান্নবা হৌরে হায়দুনা ডাক্তরগী রিপোর্ট ফঙজখি। চহী অমা চুম্না হোকি ষ্টিক, বোল পায়দুনা শান্নবা ফঙলুদ্রগা মতুংদা অমুক হন্না শান্নবা য়ারগনি হায়রকপদগী নাবগী ৱাখলগা লোইনা কাউখি। অদুদগী ঙাইহাক ঙাইহাক শান্নবা থোক্তুনা ঐগী হান্নগী ফিভমদা লাকপা ঙমজখি। অদুগা ২০১৮গী নবেম্বর ২২দগী ২৮ ফাওবা ঐনা লৈজরিবা মফম ‘রেল কোষ্ট ফেক্টরি কপুটালা (পঞ্জাব)’ অদুদা মমাং চহীগী ইন্টর রেলৱে টুর্নামেন্ট পাঙথোকখি। মদুদা ঐহাকসু য়াওদুনা শান্নখি। লোয়ননা ঐখোয়গী টিম্না তোঙান-তোঙানবা মফমদগী লাক্লিৱা রেলৱে টিমশিং অদু মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমজখি। মমাং চহীদা তৌখিবা টুর্নামেন্টতু, ঐগীদি মেজর ওপরেসন অমা তৌরুরবা মতুংদা অহানবা শান্নবা ওইবনা য়াম্না হেন্না নুংঙাইজবা পোকখি। অদুগা সনাগী মেদল লৌখিবদুনসু ঐবু হেন্না নুংঙাইহনখি। হৌজিক্তি ঐহাক ফিল্ডদা হান্নগুম্না শান্নবা ঙম্ননবা কন্না হোৎনবা অমুক হৌজরে।

মথং মথং…

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯৩

১। ঐহাক মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী দ্রামা য়াওবা নুপানি। মতম অমদা মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা খ্বাইদগী চাউবা শান্নবগী লূপ (স্পোর্টস এসোসিএসন) অমগী অহানবা প্রসিদেন্টনি। ঐহাক্কী মীং হায়ু।

২। মণিপুরগী টিম অমা কুমজা ১৯৫২দা Nagaon Independence cup তা শরুক য়াখি। মণিপুর টিমনা ফাইনেল শান্নবদা চীংমীগী শান্নরোয়শিংনা মশীং য়াম্মী। তম্পাক্কী শান্নরোয় অনী য়াওখি। মখোয়গী মমিং হায়ু।

৩। রোয় জোনস ওলিম্পিক্কী বোক্সিং ফাইনেলদা মায়থীবা নংখি। অদুবু মহাক বোক্সিংগী খ্বাইদগী চাউবা ট্রোফি অমা ফংখি। ট্রোফি অদুগী মমিং করি কৌবগে?

৪। মহাক্না চহী ১৩ শুরকপদা কুমজা ১৯৭২গী ওলিম্পিক গেমসতা সিলভর মেদল অহুম ফংখি। মহাক কনানো?

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## মণিপুরগী জীট কুনেদো টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে



**ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ (ঐচ এন এস) ঃ** হরিয়ানাগী রোটক সিটিদা লৈবা মহারিষি দয়ানন্দ য়ুনিভর্সিটিগী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা থা অসিগী ২৬তগী ২৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌ-রিবা নেসনল মার্সেল আর্টস গেমসতা শরুক্কয়ারুগদবা মণিপুরগী জীট কুনেদো শান্নরোয় অমদি ওফিসলশিং ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

নুপাগী কাঙলূপ্তা শরুক য়ারিবশিং অদুদি সী ঐচ জেনিল মীতৈ, এস প্রেমানন্দ, এস জেক্সন, ওমনিভাস ওইনাম, অমরজিৎ সেরাম, এম লোয়াঙম্বা, নিমরৈসো খোদাং, এ হরিদাস মীতৈ অমসুং সীমঙানিংএমনি। নুপীগ কাঙলূপ্তা নিংঙোল লৈমা দল্লিয়ু, এস সঞ্জিতা, এ কে ওমিতা, এল অবেথোই, ঐচ দয়ানি, এল ইন্দিরা, প্রিয়া লোইতাম অমসুং এস এম টাজবানুনি। ওফিসলশিংদা ডা. এম ইবোমচা, এল বসন্ত, টি ঐচ অচৌবা, এস এম টাজবানু অমসুং প্রিয়া লোইতামনি হায়না জীট কুনেদো এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

অহানবা ষ্টেট লেভেল ফ্রেন্দসিপ সভেন এ সাইদ ফুটবোল

## দল্লিয়ু এস এল সীনা জেকি এফ সীবু ৪-২দা অমসুং এম পি এস সীনা সাম এফ সীবু ২-০দা থোইখ্রে



**ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ (ঐচএনএস) ঃ** ফ্রেন্দসিপ স্পোর্টিং ক্লব ককচীংনা শীন্দুনা ককচীংগী বেসিক গ্রাউন্দদা অহানবা ষ্টেট লেভেল ফ্রেন্দসিপ সভেন এ সাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা দল্লিয়ু এস এল সীনা জেকি এফ সীবু ৪-২দা অমসুং এম পি এস সীনা সাম এফ সীবু ২-০দা থোইখ্রে।

ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা দল্লিয়ু এস এল সী অমসুং জেকি এফ সী লম্বা তৌনখি। অহানবা হাফকী হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ শান্নবগী মরিশুবা মিনটতা জেকি এফ সীগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১১ থোইবনা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি।

দল্লিয়ু এস এল সীগী জর্সি নম্বর ৭ ব্রজকুমারনা ১৮শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চল্লগা ইক্বেলাইজর ওইহনখি। টিম অদুমক্কী জর্সি নম্বর ৪ রুষ্টমনা ২১শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা হাপচিল্লগা ২-১দা মাঙজিল থাখি। শান্নবগী ২২শুবা মিনটতা মেচকী অনীশুবা পাঞ্জল চনখিবা ব্রজকুমারনা মহাক্কী অনীশুবা অদুগা টিমগী ওইনা অহুমশুবা পাঞ্জল চল্লগা ৩-১দা জেকি এফ সীবু মখোয়না মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নরকপা মিনট ১০ ফাজিল্লকপদা জেকি এফ সীগী মায়কৈদগী দিপুনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা শোথরম্বা পাঞ্জল অহুমগী মনুংদা অনীখক্তা ঙাইহনখি। মেচ লোইশিল্লকপদা দল্লিয়ু এস এল সীনা জেকি এফ সীবু ৪-২দা থোইখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা এম পি এস সী অমসুং সাম এফ সী লম্বা তৌনখি। মেচকী অহানবা হাফকী ১২শুবা মিনটতা এম পি এস সীগী জর্সি নম্বর ১৫ নাওবনা মেচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি।

সাম এফ সীগী মায়কৈদগী অনীশুবা হাফ অদুদা য়াম্না অকনবা লম্বা পীরক্তুনা এম পি এস সীগী শান্নরোয়শিং হাইজিনবা ঙমখিদে। শান্নবগী ৪১শুবা মিনটতা এম পি এস সীনা ফংখিবা কাউন্টর এটেক অমদা টিম অদুগী জর্সি নম্বর ১১ কিরন্না টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চনশিল্লগা সাম এফ সীবু ২-০দা থোইখি।

অনীশুবা টি য়ু এফ সী ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

## সুন্দর এফ সী, দি এম দোট, টি য়ু এফ সী (বি) অমসুং পোইরৌখোংজিননা মখোয় মখোয়গী মেচ মায় পাকখ্রে



**ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ (ঐচএন এস) ঃ** টুলিহল য়ুনাইটেদ ফুটবোল ক্লবনা শীন্দুনা পাঙথোকপা অনীশুবা ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা সুন্দর এফ সী, দি এম দোট, টি য়ু এফ সী (বি) অমসুং পোইরৌখোংজিননা মখোয় মখোয়গী মেচমায় পাকখ্রে।

ঙসি অয়ূক্কী অহানবা মেচতা সুন্দর এফ সী অমসুং কপ্রাং এফ সী লম্বা তৌনবদা সুন্দর এফ সীগী এম নোরেন্না মেচকী ১৮শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল চনখি।

অনীশুবা হাফতা টিম অদুমক্কী সী ঐচ মোদা অমসুং দিনকুনা মথংশিংনা শান্নবগী ২৬ অমসুং ৩৪শুবা মেচতা পাঞ্জল অমমম চনশিল্লগা ৩-০দা মাঙজিল থারম্বা অদু শান্নবগী ৩৯শুবা মিনটতা কপ্রাং এফ সীগী শাংগেসো কৈশিংনা পাঞ্জল অমা হন্দোক্লগা মেচ অদু সুন্দর এফ সীনা ৩-১দা থোইখি।

অয়ূক্কী অনীশুবা মেচতা দি এম দোটনা এল ৱাই সী লাইখোংগা লম্বা তৌনবদা ৩-১দা মায় পাকখি। অহানবা হাফকী ৪শুবা মিনটতা দি এম দোটকী কে ঐচ অস্করনা টিম অদুগী একাউন্ট হাংদোকখি। এল ৱাই সী লাইখোংগী নাওতোন্না ইক্বেলাইজর অদু ৮শুবা মিনটতা চনখি।

দি এম দোটকী অস্করনা ১২শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা হাপচিল্লগা অহানবা হাফ অদু ২-১দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা দি এম দোটকী মায়কৈদগী এন নজিমুদ্দিন্না ৩৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা এল ৱাই সী লাইখোংবু ৩-১দা থোইখি।

নুংথিলগী অহানবা মেচতা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্নুটিয়ু এফ সী (বি) না সীৱাইদি ও চঙমদবীবু ১-০দা থোইখি। শান্নবগী ১৭শুবা মিনটতা টি য়ু এফ সী (বি) গী অবাসনা মেচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু চনখি।

নুংথিলগী অনীশুবা মেচতা পোইরৌখোংজিন অমসুং এন এফ সী ঙারিয়ান লম্বা তৌনবদা পোইরৌখোংজিন্না পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীখি।

মেচ অদু হৌবদগী হৌনা পোইরৌখোংজিননা এটেক হেন্না চথবা ঙমখি। মেচকী ১৬শুবা মিনটতা টিম অদুগী কে জেমস বোন্দনা অহানবা পাঞ্জল চনখি। মিনট ৩ লৈরগা টিমমেট কে বোবোসানা অনীশুবা পাঞ্জল চল্লগা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফতা পোইরৌখোংজিনগী মখা তাবা এটেকশিংদা টিম অদুগী জর্সি নম্বর ৪ এস মাইকেলনা ২৮ অমসুং ২৯শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী চনশিল্লগা এন এফ সী ঙারিয়ানবু ৪-০দা থোইখি।

## লাইশ্রম সরিতা অমসুং সিব থাপা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে



**বেঙ্কোক, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সী) ঃ** থাইলেন্দ কোনুং বেঙ্কোক্তা চথরিবা এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নস্পিতা ইনিদয়া বোক্সর সরিতা অমসুং সিব থাপা মখোয় মখোয়গী লম্বা মায়থীবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

নুপীগী কেজি ৬০গী কেটগোরিদা লাইশ্রম সরিতানা কজাকস্তানগী বোক্সর রিমা বোলোসেনকোবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লরবা মতুং জজ অহুম্না মহাক্কী মায়কৈদা লেপখিবা অদুগা জজ অনীনা কজাকস্তানগী বোলোসেনকোগী মায়কৈদা লেপখিবা অদুনা বাউট অদু ৩-২দা মায় পাক্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌখি। কুমজা ২০১০দা সরিতান চেম্পিয়নসিপ অসিগী গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।

নুপাগী কেজি ৬০দা ইন্দিয়াগী সিব থাপাসু মহাক্কী লম্বা থাইলেন্দগী বোক্সর রুজকরন জুনত্রোংবু ৫-০দা মায়থীবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখি। মথংগ রাউন্দা সিব থাপানা কজাকস্তানগী জকির সফিউলিনগা থেংনগরনি।

পনবা য়াই, অসামদগী হৌরকখিবা সিব থাপানা কুমজা ২০১৩দা চেম্পিয়নসিপ অসিগী গোল্ড মেদল ফংখি। ২০১৫দা ব্রোঞ্চ অদুগা ২০১৭দা সিভল মেদল লৌখি।

ইন্দিয়াগী টিমদা নুপাগী কেজি ৭৫গী কাংলুপ্তা অসিস কুমারসু মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল বাউট অদু মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। অসিস কুমারনা ক্বার্টর ফাইনেলদা কিরগিস্তানগী বোক্সর ওমরবেক উলু বিজিকিতপু ৫-০দা মায়থীবা পীরমখি।

নুপীগী কাংলুপ্তা মনিসাসু ক্বার্টর ফাইনেল মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখিবদগী য়ামদ্রবদা ব্রোঞ্জ মেদল অমদি শোইদনা ফংলগনি। মহাক্না ফিলিপিন্সকী বোক্সর পেটিসিয়ো জানিসেবু মায়থীবা পীরম্বনি।

নুপীগী কাংলুপ্তা কেজি ৯১গী কেটগোরিদা শরুক য়ারকপা ইন্দিয়াগী কমনৱেলথ ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট নামন টনৱর জোর্দানগী হুসেন ঐসাইসগী মখুৎতা ০-৫তা মায়থীদুনা মেদলগী খুদোংচাবা মাংখি।

## ইন্দিয়াগী বজ্রং পুনিয়ানা এসিয়ান রেষ্টলিংগী গোল্ড ফংখ্রে



**জিয়ান, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সী) ঃ** চাইনাগী সিটি জিয়ানদা পাঙথোকপা এসিয়ান রেষ্টলিং চেম্পিয়নসিপ ২০১৯গী কেজি ৬৫গী কেটগোরিদা ইন্দিয়াগী ৱর্ল্ড নম্বর ১ বজ্রং পুনিয়ানা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে।

বজ্রং পুনিয়না ঙসি ফাইনেলদা কজাকাস্তানগী রেষ্টলর সাইয়তবেক ওকাসোবকা লম্বা তৌনখি। ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা পেরদতা বজ্রং পুনিয়ানা কজাকস্তানগী রেষ্টলর ওকাসোক্কী মখুৎতা ২-৫তা পোইন্ট হন্থরগা লৈখি।

অদুবু নৌনা ৱর্ল্ড নম্বর ১ ওইবা ঙমখ্রবা বজ্রং পুনিয়ানা অনীশুবা পেরদতা শোথরবা পোইন্টশিং অদু য়াম্না ফজবা মওংদা ফুগৎপা ঙমদুনা পোইন্ট ১০ লৌখিবদা কজাকস্তানগী ওকাসোবনা ২খক লৌখিবা মরম্না ফাইনেল অদু লোইশিল্লকপা ইন্দিয়াগী বজ্রং পুনিয়ানা ১২-৭দা হেন্দুনা গোল্ড মেদল অদু লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হৌদ্রিঙৈ হৌনা কিলোগ্রাম ৬৫গী কাংলুপ্তা গোল্ড মেদল লৌগনি হায়বগী চাওনা পান্নদুনা লাকখিবনি। মদুমক মহাক্না ঙসি থবক ওইনা উখোকপা ঙমখি।

মহাক্না সেমি ফাইনেলদা উসবেকিস্তানগী রেষ্টলর সিরোজিদিন খসানোবপু য়াম্না কোম্না ১২-১দা মায়থীবা পীরম্বনি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা রেষ্টলর প্রবিন রনানা কিলোগ্রাম ৭৯গী কাংলুপ্তা ফাইনেলদা ইরানগী বমান মুহমদ টেমোরিগা লম্বা তৌনরগনি। প্রবিননা ঙরাং সেমি ফাইনেলদা কজাকস্তানগী রেষ্টলর গেলিমজান উসরবাইয়েপপু য়াম্না নক্লবা স্কোর অমদা ৩-২দা মায়থীবা পীখি।

কিলোগ্রাম ৫৭কী কেটগোরিদা ইন্দিয়াগী রবিকুমার ব্রোঞ্জ মেদল প্লে ওফকী রাউন্দ য়ৌখি। মহাক্না চাইনিজ টাইপৈগী সিয়া সো লিয়ুবু রেপিজেস রাউন্দদা ৪-০দা থোইরম্বনি। জপানগী য়ুকি টকাহসিগা ব্রোঞ্জকীদমক লম্বা তৌনগনি। কেজি ৭০গীদা ইন্দিয়াগী রজনিস ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমদনা লৈহৌখি।

## ইন্দিয়াগী টি টি শান্নরোইশিং ফজরি

**বুদাপেষ্ট, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সী) ঃ** হঙ্গেরিগী কোনুং বুদাপেষ্টতা থা অসিগী ২১দগী হৌখিবা ৫৫রক শুবা ৱর্ল্ড টেবল টেনিস চেম্পিয়স্পিতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং ফজরি।

নুপীগী সিঙ্গলতা ইন্দিয়াগী মনিকা বত্র অমসুং মুখর্জি অহানবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি। অদুবু কমাথ অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিদ্রে। নুপাগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী অসান্তা কমাল সরত অমসুং গনসেকরন মখোয় মখোয়গী অহানবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

নুপাগী দবলসতা ইন্দিয়াগী অসন্তা কমাল অমসুং গনসেখরন অহানবা রাউন্দদা মায়থীহৌখি। মিক্স দবলসতা মিনকা বত্র অমসুং অসন্তা কমাল অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি। মখোয়দা নত্তনা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী মিক্স দবলসকী পেয়র গনেসেখরন অমসুং অরচনা কমাদনা ৱর্ল্ড নম্বর ৯ স্পেনগী পেয়র রোবলস অমসুং বোরাকপু ১১-৯, ১১-৪, ১১-৮, ১১-১৩, ১১-৯দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা সাউথ কোরিয়াগী ৱর্ল্ড নম্বর ৫ পেয়র লি অমসুং জিওনগা লম্বা তৌনরগনি। মিক্স দবলসতা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী পেয়র মুখরজি অমসুং পাটকর অহানবা রাউন্দদা মায়থীহৌখি।

## এসিয়ান এথলেটিক্সতা ইন্দিয়াগী গোমতি অমসুং টজিনদরপাল গোল্ড মেদল ফংখ্রে





**দোহা, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সী) ঃ** ইন্দিয়াগী নুপীগী এথলেট গোমতি মরিমুথুনা কটারগী কোনুং দোহাদা পাঙথোকপা এসিয়ান এথলেটিক চেম্পিয়নসিপকী নুপীগী মিটর ৮০০গী লমজেলদা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রে। লোয়ননা নুপাগী সোটপুটতা ইন্দিয়াগী টজিন্দরপাল সিংহ গোল্ড মেদল অমসু লৌখ্রে।

ইন্দিয়াগী টিম অসিদা মেদল ফঙলক্নি হায়বগী মমিং থাবদা য়াওদবী মশাগী চহী ৩০ শুরবী গোমতি মরিমুথুনা মিটর ৮০০গী নুপীগী লমজেলদা অদুদা মহাক্কী করিয়রগী খ্বাইদগী ফজবা টাইমিং ওইনা মিটন ২:০২.৭০দা চেন্দুনা গোল্ড মেদল অদু ফংখিবনি।

নুপীগী সোটপুটতা ইন্দিয়াগী এথলেট টাজিন্দরপাল সিংহ টুরনা দোহাগী খলিফা ষ্টেদিয়মদা মিটর ২০.২২ লংলগা গোল্ড মেদল ফংখি। নেসনল রেকোর্দসু থম্বা ঙল্লিবা টজিন্দরপালনা নুপাগী সোটপুট ইভেন্ট অদুগী অহানবা রাউন্দদা মিটর ২০.২২ লংখিবা অদুনা গোল্ডগী দিষ্টেন্স অদুমক ওইখি।

মশাগী চহী ২৪দা ঙাইরিবা সোটপুট্টর অসিনা মহাক্কী করিয়রগী খ্বাইদগী ফজবা রেকোর্দ অদু মিটর ২০.৭৫ লংখিবনি।

সিজন অসিদা এসিয়াগী মকোক থোংবা সোটপুটরশিংগী মনুংদা চন্দুনা লাক্কদৌরিবা মখা তাবা কম্পিটিসনশিংদা খুদোচংবা কয়া পীগদৌরি।

নুপাগী জেবলিন থ্রোদা ইন্দিয়াগী সিবপাল সিংহনা মিটর ৮৬.২৩ লংলগা সিলভর মেদল ফংখি। ইনিদয়াগী অহানবা মেদল অদু নুপীগী মিটর ৪০০গী হরদল লমজেলদা সেকেন্দ ৫৭.২২দা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবী গয়াক্বাতনি। মিটর ১০০গী নুপীগী লমজেলদা ইন্দিয়াগী টুতিচান্দা ৫শুবা পোজিসন তাদুনা মেদল ফংহৌখিদে।